CS (Main) Exam,2021



# MANIPURI
# ( PAPER—I )

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯡ** 

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।


# MANIPURI
# ( PAPER—I )

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|


## QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(a) মণিপুরী লোনবু তিবেতো-বর্মন লোন কাঙলূপকী মনুংদা থম্নরিবগী মরমশিংদু শন্দোক্লা ইরকউ।

(b) মণিপুরীদা ভাৱল কয়া লৈবগে অমসুং ভাৱলশিং অদু হায়দোকপগী মওঙ-মতৌ হায়বদি আর্টিকুলেটরী দিসক্রিপসন অদু শন্দোক্লা ইরকউ।

(c) সিলেবল কদায়বু কৌবগে? মখলশিং অদু খূদম পীদুনা তাকউ।

(d) ফ্রেজ কদায়বু কৌবগে? মখলশিং অদু খূদম পীদুনা ইরকউ।

(e) সন্ধি হায়রগা করিবু খঙনবগে? মখলশিং অদু খূদমগা লোয়ননা ইরকউ।

**2.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) কনসেপ্ট ওফ ফোনিম হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোনগী ফোনিম মখলশিং অদু খূদম পীদুনা ইরকউ। 15

(b) এফিক্স কদায়বু কৌবগে? খূদম পীদুনা শন্দোক্লা ইয়ু। 15

(c) কেস হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোনগী কেস মার্করশিংগী মরমদা খূদম পীদুনা শন্দোক্লা ইরকউ। 10+10=20

**3.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরীদা তোন মখল কয়া লৈবগে? মখলশিং অদু খূদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা ইরকউ। 15

(b) ফ্রেজ অমসুং ক্লোজ অনিগী খেন্নবা মশক অদু মণিপুরী লোন্দা মীৎয়েং থম্লগা খূদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা ইয়ু। 10+10=20

(c) কমপ্লেক্স সেন্টেন্সকা কমপাউণ্ড সেন্টেন্সকা খেন্নবদু খূদম পীদুনা ইরকউ। 15

**4.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) নম্বর কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লোন্দা নম্বর মখল কয়া শুবগে অমসুং মখলশিং অদু খূদম পীদুনা ইরকউ। 15

(b) টেন্স অমসুং অসপেক্ট অনীগী খেন্নবা মশক অদু খূদম পীদুনা ইরকউ। 15

(c) মণিপুরী লোন অসিনা হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকপগী মতাংদা মরীক চুম্না শন্দোক্লা ইরকউ। 20

## Section—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(a) 'পোইরৈতোন খুন্থোক' হায়রিবা লাইরিক অসি পারগা মতম অদুগী সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মশক অদু নৈনদুনা ইয়ু।

(b) লাই হরাউবগী নোংমগী ওইবা থৌরম পরেংশিং অদু মথং-মনাও কায়দনা শন্দোক্লা ইরকউ।

(c) মণিপুরী খুনাইদা পাউরৌ অমসুং পাউখোঙনা লৌরিবা থৌদাং অদু শন্দোক্লা ইরকউ।

(d) বেলেদ কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী বেলেদ মখলশিং অদু খুদমগা লোয়ননা ইরকউ।

(e) অনৌবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যনা হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকপগী মতাংদা শন্দোক্লা ইরকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) লেজেন্দ কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লেজেন্দ মখলশিং অদু খূদমগা লোয়ননা ইরকউ। 15

(b) মণিপুরী সাহিত্য ইতিহাসকী ময়ায় চনবা মতমগী সাহিত্যগী তোপ-তোপ্পা মশকশিং অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(c) ফোক-সোং (খূৎলং-ঈশৈ)বু মশক করম্না তাক্কনি? মণিপুরী ফোক-সোংগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু। 15

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরদা শগোল কাঙজৈ হৌরকপা, চাউখৎলকপা অমসুং শান্নবগী নিয়ম কাঙলোনশিং অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

(b) মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্ম চংলক্লিঙৈ মমাঙগী সংস্কৃতিগী শক্তমশিং অদু মরীক চুম্না ইরকউ। 20

(c) মৈতৈ অমসুং খূমন য়েংথিনখিবগী মরম অদু 'থৌৱান থাবা হিরান' হায়রিবা লাইরিক অসিদা মীৎয়েং থম্নগা নৈনরকউ। 15

**8.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরী সাহিত্যদা ৱারীমচানা য়াকায়রকপা অমসুং চাউখৎলকপগী মরমদা শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(b) মণিপুরদা কাং শান্নবা হৌরকপা অমসুং মসিগী শান্নবগী কাঙলোনশিং অদু মরীক চুম্না ইয়ু। 15

(c) অনৌবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা 'এসে' (ৱারেং) হায়রিবা সাহিত্যগী খূৎই অসি মতৌ করম্না চঙলকখিবগে অমসুং হীরম অসিদা খ্বাইরাকপম চাউবগী অবদান করি লৈবগে হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

★★★